# এদ্যুকেসনগী মফম

ৱারেং অসি ফুঙ্গা ৱারী অমনা হৌজগে। ঐখোয় শ্বাইগী ইবেনপোক্কী ৱারী, এসিয়াগী নৎত্রগা রুসিয়াগী ৱারী নত্তে। নাইজেরিয়া হায়বা অফ্রিকান কন্ত্রি অদুগী ৱারীনি। ৱারেংসি পাবীরবা মতুংদা ‘মসিদি ঐহাক পাখরে/হান্না তাখরে হায়বীরকপা য়াই... পাখিদ্রিবা ৱারী ওইরম্বসু য়াই... পাখ্রবা/তাখ্রবা ময়ামদুদনা নীংশিংহনবা, পাখিদ্রিবশিংদনা নৌনা লীবগী নুংঙাইবা-নুংঙাইবা মখল অনীনি ৱারেংজরিবা ঐনা লৌজরিবা। য়েংবীয়ু - অদোমসু নুংঙাইবদু লৌবা ঙম্বরা?

আ মথায় থায়না মমাঙঙৈদা ‘লৌশিং’, ‘চিঙ্গাক’ অমসুং ‘লন-থুম’ - মখোয় অহুম নুংঙাইবা, শাংলবা খোঙচৎ অমা চৎমিন্নরম্মী। ফনা শাংনা চৎলক্লবা ফাওবদা লম্বীদা কনামত্তগা থেংনরমদে। কাইনথংদা নুপা অমা থেংনরে। থাজদবা অপূনবা খূৎপু অদু উবদা ঙকপনা খম থেংখরে, হংলকই, ‘ইয়াম্বা অহুম থাজদনা পূন্না লাকমিন্নবীরিসিবু কদায় তান্না চৎপীগদবনো’?

‘ঐখোয় ইশা ইশাগী লেঙদ্রবা, অরেপ্পা লৈফম অমমম থিরুরগে খন্না থোরক্লিবনি’ অহুম্মক্না চপ মান্নবা খোন্থোক্তা খুন্নকই।

‘লৈফমদুদি ফংবীরবরা’?

‘ফংলবদবু অসুম্না চৎমিন্নরমগদরা’?

‘য়াম্না ফরে অদুদি। ঐগী ইয়ুম শঙ্গায়, মরাং কায়না চাউরবা কা নীংথিজনা লৈতেংলবা ময়াম অমা লৈজৈ, ইয়াম্বা ‘লন-থুম’ গী লৈফম নীংথিনা শেমজগে, ননাওগা লৈমিন্নরুরসি... ইয়াম্ববু পুন্সি চূপ্পা নুংঙাইনা, অৱাৎ-অপা লৈতনা থমজগে’।

‘ৱাশক্তুগীদমক থাগৎচরি... ঐহাক খঙই, নঙনা ঐবু ননাক্তা কুইনা থম্বা শুকঙম ঙম্লোই’, ‘লন-থুম’ না খুন্নকই। খোঙচৎ মখা চত্থখি। নুপাদুনা কন্না থেম্মী। লন-থুম’না য়াদে।

খরা চৎলগা অতোপ্পা নুপা অম’মুক থেংনরে। মহাক্নসু চপ মান্নবা ৱাহং হংলকই - কদায়দনো?

অহানবগীদুদা খুমখিবা পাউখুমদুমক্লি-‘ঐখোয়গী চপ চাবা, অরেপ্পা লৈফম অমা থিবা চৎলিবনি’।

শেৎপ-চাবা নীংবা থুংদ্রবা, মপূক থন্দবা মীশক অমা ওইরমাল্লে, মকশিল্লবা মায়থোঙদুদা মঙাল অমা ফাওরকই। থিন্থদনা খুন্নকই, ‘চিঙ্গাক্তা ঐগা লৈমিন্নরসি, অখন্নবা মীথুং ওইনা লেঙশিনবীয়ু ঐগী ইয়ুম শঙ্গায়দা... করিমত্তা ৱাত্তনা, নুংঙাই-য়াইফনা থমজগে, করিগুম্বা মখলগী ৱাকৎ অমত্তা লৈহঞ্জরোই’।

‘নতৌদুদা ঐহাক খঙলে - নহাক্না ঐবু মতম শাংনা লোয়নবা ঙম্লোই... ঐ নহাক্তা লৈমিন্নবা ঙম্লোই’। নুপাদু শাউরংননা লৈহৌরে।

ফনা শাংনা লম্বীদুদা চৎলবা মতুংদা মপুক তপ্পা, মোং হাদবা নহা অমগা থেংনরে। লমশাং লাকপগী চোকথরবা অহলশিংদু উবদা ঙক্লদুনা হংলকই ‘অহল অহুমবু কদোমদা লেঙবীরুবনো’?

মমাঙগী নুপা অনীদুগুম তয়াং-তশোই, তাপ হেক খুন্নক্তে। ঈংনা-তপ্না খুন্নকই ... ‘ঐদি পীক্লবা য়ূম অমগী খূরবা কাখু অমদা ঈংনা চিক্না লৈজবনি, ময়ামবু পেলহনজনবা, নীংবা থুংহঞ্জবা ঙমজরোই... অহল অহুম্মকপু পূন্না থৌগল তৌজনীংবনি অদুবু, ৱারৌবীনু ঐগী ইতিক ওইদরে ... অহল অনীনা ৱারৌবীরোই, অহল ইবুংঙো ‘লৌশিং’ গা ঐগা লৈমিন্নজগে।

লন-থুম অমদি চিঙ্গাক, অনীনা পূন্না হায়রকই ‘ঐখোয় অনীবু চেকশিন্না থম্বীবা ঙমগদবদি নহাকখক্তনি ইবুংঙো... চঙলসি ঐখোয় অহুম্মক পূন্না নহাক্কীদা লৈরুরসি...।

অসুম্না লৌশিং, লন-থুম অমদি চিঙ্গাক অহুম্মক পূন্না নহাদুগীদা লৈখি। ৱাত্ত-পাদবা-ইনাক-খুনবা-লৌশিংবা মীশক অমা ওইরকখি।

ৱারীসিনা ঐখোয়দা পীরিবা পাউজেল অসি করিনো? অমুক হঙ্গৎলুদ্রবসু পাবীরিবশিংনা খঙবীরে। অদুবু, ঙসিগী মীরোল/নহারোলশিংনদি ৱারীসিদা পর্সোনিফাই তৌরিবা মীশক অহুমসিগী মতাংদা করি খল্লি? হাইফেৎ-শাফেৎ নীংশিংলুবা নুংঙাইনি।

চহী তরানিথোই-হুমদোইমুক্কী মমাঙগী ৱানি। নোংমা, য়ঙ্গর-ফ্রেন্দ অমগী মচানুপা পোকপগী ইপান-থাবা থৌরমগী চাক য়াওবা পার্টি অমদা মরুপ মপাং মঙা-তরুক্কী টেবলদুদা হ্বিস্কি-পেগ অহুম-মরিগী ময়াইদুনা লৈখৎহল্লবা কোক ময়ামদু ইন্টেল্লিজেন্ট ওইরকখি। অকনবা মরৈ য়েংনরকখি। পৈশা পায়বা/ইনাক খুনবগা মহৈ হৈবা/লাইরিক হৈবগা-অহেনবদু কনানো? মরৈদুগী ৱারূ’দু মসিনি। ঐখোয় অহুম-মরিগী মরৈদু অতৈ টেবলদসু লানশিনখি। অকনবা মরৈ ওল্লকখি। নাকপাক নাকপাক তারকখি।

অখঙবা-অহৈবঙাক্তা ওনখ্রবা মীয়ামদুনা হায়নখিবা/ঙাঙনখিবা ময়ামদু মতাংসিদা পঞ্জররোই, ৱাকোই তারনি। ঐনা খ্বাইদই ঙকখিবা, ঐবু থম্মোয় শোকহনখিবদি কোলেজ অমগী সিলেক্সন-গ্রেদ-লেকচরর অমগী ৱাহৈশিং অদুনি... ‘পৈশাদই হেনবা করি লৈগে... হৌজিকসিদদি পৈশা পায়র’ লোইরে... পৈশাবু পায়দ্রবা এম এ, বি এ, ডোক্টর করিমত্তা কান্নদে, ইচম চম্বা চেজেৎনি’...।

মাগী ৱাহৈদুনা ঐগী থম্মোয় শোকহনখি। ‘মনি কেন বায় এ বুক নোৎ নোলেজ’ (শেলনা লাইরিক লৈবদি ফংগনি লৌশিংদুদি লৈবা ঙম্লোই) মাগী মনাকোংদা চঙখিদে। অতৈনা ৱাহৈসি এপ্রিসিএট তৌদ্রবসু মহাক্কুম্বা ওজা অমনদি ৱাহৈশিংদু ইকায়খুম্নরক্কনি খনখিবনি। মহৈরোয় লিশীংগী লমজিং মৈরা ওইরিবা অমদগী থোরকপা ৱাহৈদুগী পাউখুম পীদনা ঐহাক তূমিন লৈঙমখিদে। খুমখি ... ‘ওজানা মাষ্টর তৌরক্তুনা ডোক্টরেট ফংলবা জুলেজিগী গ্যান-লৌশিং ময়ামদু লুপা কয়া পীরগা লৈবা য়াগদগে... ঐহাক মতম মাঙনা কোলেজ/য়ুনিভর্সিটিদা চৎতুনা তম্লুবদি ঙম্লরোই ... প্রিন্টিং মেছিন অমনা নম্বা সর্টিফিকেট/চেজেৎতুদি পামদে ওজাদা য়াওরিবা জুলোজিগী গ্যানদু লৈগে, মমল কয়াদা মস্তিক্লসিগে’...?

লাইখায় অমা তাদনা মরৈ অদু লোইশিনখি। মশীং য়ামদবা ঐগী নাকপাক অদুনা মরৈদু ঙম্লে খঞ্জখি। মশীং য়াম্বা মখোয়গী কাঙলূপ্পা উশিত্তনা নোকখি।

অদুগুম্বা উংখৎনবদু ঙসিসু লৈরি। লৈবাক অসি ৱাখিনি। অৱাবা পূম্নমক্কী হৌরকফমসি ‘লৌশিং ৱাৎপা’/অপঙবা মী ওইবননি হায়নৈ। ৱাফম অসি য়ানীংদবা মীসু লৈরমগনি। কনাগুম্বা অমনা, মাগী তৌফম থোকপা মথৌদু মফম-মতম-মতাং চানা, হায়নবা নাইদ’ তৌরবদি মহাক অদু ‘অশিংবা মী’ কৌই। লাইরিক্তগী ফংলকপা লৌশিং, অহল-লমন-লোয়ন-তিন্নরুবশিংদগী খোমজিল্লকপা নোলেজ, ইশানা হকথেংননা তৌরুবা থবকশিংগী এক্সপরিএন্স... পূম্নমকসিনা পোকহল্লকপা কনাগুম্বা অমগী ৱাখলদুনা ‘মী অমগী ওইফম থোকপা মশক’ অদু লেপ্পী - অপঙ/অশিং মশক তাকই। প্লাটোগী লাইরিক ‘দ এপোলোজি’ হায়বদুদা ‘সোক্রেটস’ পু করিগী খ্বাইদই হেন্না শিংবা মী অমা ওইনা শীংথানরিবা করিগীনো হায়বগী মরম অসুম্না পী ... ‘অয়াম্বা মীশিংনা মশানা খঙজ-হৈজরিবা লৌশিংগী থাক অমদি চাং অদুদগী হেন্না খঙবা/হৈবা শাই, অদুবু, সোক্রেটস’তি মশাদা তোপ-তোপ্পা, থোইদোক-হেন্দোকপা গুন কয়ানা লৈতেংলবা, তাঙলবা লৌশিংনা ফূদোঙলবা মীশক অমা ওইরবসু মশাবু কৈদৌনুংদা অখঙবা-অহৈবনি হায়না লৌজদে’...।

অদুবু ঙসিগী মীরোল অসিদা প্লাটো, এরিষ্টোটল, সোক্রেটসকী ৱারী কনানবু পানরিবগে? মোরেল সাইন্স অমদি মোরেল এদ্যুকেসনগী ৱা কনানবু ঙাঙনরিবগে? শুবা-নোম্বা তৌদনা করম্না শেল পায়গনি - ৱাখলসিতনি খন্নরিবা। লোন্না হুবা নত্তবা, ফোংনা হুবা, খূবাক ময়ায়দা শগুন তৌবা হৈবদুনি - ঙসিগী মীরোলদা ইকায় খুম্ননীংঙাই ওইবা মী। অদুগা ঐখোয়না খন্ননীংঙাই ওইবা মরু ওইবা ৱাফম অমদি - ‘লাইরিক হৈবা/হৈতবা, শেলতনা মরূনি, শেলনা ঙমদবা লৈতে হায়বা মীওইশিং অসিনা মাগী মাগী মচা-মশুশিংবু শেল পাম্মুবা খঙদনা অফবা স্কুল-কোলেজ থি-থিদুনা তমহল্লি, শেল চাউনা পীদুনা হোম-ট্যুটর কৌদুনা লাইরিক তমহল্লিবা করিগীনো’... হায়বা ৱাহং অসিনি। ... ‘পৈশাবু পায়দ্রবা বি এ, এম এ, ডোক্টরেট দিগ্রী কান্নদবা চেজেৎনি’... হায়রম্বা জুলোজিগী ওজাদু নোংঙান্দ্রিঙৈদগী স্কুল-কোলেজ-আৱর মমাঙ অমদি মতুং নুমিদাং পুং ৮ ফাও, মাগী মমল য়াম্বা কারদুদা মচা অনীদু প্রাইভেট ট্যুটরশিংগী ময়ূমদা থিন্দোক-থিঞ্জিন তৌবদু মহাক্কী শোয়বা য়াদ্রবা দ্যুটি অমা ওইখি। হংনীংখিবনি - ‘লৌশিংদু পৈশানা লৈবা য়ারমদ্রবরা...? মতম অদু পাম্মুদ্রা? লুপা লাখ খরা থোক পীথোক্লগা লৈবা য়াবা গ্যানদুবু! নোং হেক ঙানবদগী নুমিদাং পুং নিপান মাপনফাও অঙাংগী ট্যুসন সেন্টরশিংদা মাঙহল্লিবা মতমদু পাম্মুখ্রেদা ওজা... মতমদু শেল তানবদা শীজিন্নরম্লবদি মিল্লিন্নিয়রদগী বিল্লিয়ন্নিয়র ওইরমগদবনি’..। হায়বদি হায়খিদে, মথম্মোয়দা থরূম তৌখিগনি খনবদগী। খনবদি খনখি - ‘মাবু কোলেজদা ক্লাস লৌননবা মতমবু ফংলিদ্রা’?

রিলায়ন্স কম্পেনিগী ফাউন্দর ‘ধীরুভাই অম্বানি’, মহৈ-মশীন-লাইরিক-লাইশু নীংথিনা তম্বা ফংলকখিদবদুগীদমক নীংঙমখিদে। মচা হাক্তক, নীংঙমদবদু পোক্তনবা- ‘মুকেশ’ অমদি ‘অনিল’ অম্বানি - অঙাং ওইরিঙৈ মহাক্কী ফি করবারদুদা য়াওহনখিদে। মহৈ-মশীন নিংথিনা তমহল্লগা ‘বিজিনেস স্কুল’ দা থাখি। ‘ভারত মেরি মুথি মেঁ’ (ইন্দিয়াবু ঐগী খুবাম্নুংদা’ হায়বা স্লোগান অমা শেল্লম্বদু, মচা হাক্তক্তা ‘রিঅলিটি’ ওন্থোকখি। শেল তানবগী থবক্তুদা ‘এদ্যুকেসন’ না কৈরাক ওইদুনা পন্দোল লোম্না কাখৎখি।

লায়রবা কৌবা লায়নাদুনা নারবা, অফবা এদ্যুকেসন ফংনবা ইন্সটিট্যুসন’দু য়ৌবা ঙমদ্রবা লায়রবগী য়ূমদুদা ‘ইন্সটিট্যুসন’ দুনা য়ৌরুবদি করি কায়বগে। ধর্ম্ম-শন্দোকপা (রিলিজিয়স প্রিচর) শিংনা তৌরিবসু মদুনি। এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসন লৈতবা মফমদা এদ্যুকেসন য়ৌহনবা ঙম্বা থৌশিলদুবু কৌই - ‘অফবা এদ্যুকেসন পোলিসি’।

*—ইন্দ্রকুমার*

# পুন্সিবু মচু লোক্লিবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘অশেংবা ইরল’ দা মীৎয়েং অমা



ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনী

লাইরিক্কী মমিং :-
**অশেংবা ইরল (২০২২)**
অইবী :- **ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনী**
অফোঙবা :- **ৱাহেংবম কুমারী চনু, সেক্রেটরি লৈকোল, য়াইস্কুল পুলিস লেন, ইম্ফাল**
লাইরিক্কী মখল :- **ৱারীমচা**
লাইরিক্কী মখুম :- **কোন্থৌজম মাইকেল মীতৈ**
লমায় মশীং :- **২৭৮**
লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ৬০০/-**



ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনী ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা কুমজা ১৯৫৭কী সেপ্টেম্বর ১৫দা পোকখি। অপোকপা ক্ষেত্রিময়ূম য়াইমা অমসুং থম্বালগী মরিশুবা মচানুপী ওইনা ফংজখিবী সুবদনী য়াম্না অভাং ওইরিঙৈদগী হৌনা শৈরেং ইবা পামজদুনা লাকখি অমসুং শৈরেং কয়া ইদুনা হৌরকখি। মহৈরোয়শিংগী ঈহৌ কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকখি। এল এম এস লো কোলেজদা তন্নিঙৈদা কোলেজ অসিবু গভর্ণমেন্ট কোলেজ ওইননবগীদমক কোলেজগী ইন্দিফিনিট হঙ্গর ষ্ট্রাইক্তা (দিসেম্বর ৯, ১৯৮০) মহৈরোয় ময়ামগী লুচিংবী অমা ওইনা শরুক য়াদুনা নুমিৎ ৪৫নি জেলদা লৈখি। কোলেজ অসি গভর্ণমেন্ট কোলেজ ওইরে হায়দুনা লৈঙাক্না লাউথোক্লকপদগী জেলদগী থোরকখি।

অইবী অসি সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর ওইরম্মী। অইবীগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংদি - ১) মাঙখ্রবা ঈশৈগী সুর (শৈরেং, ১৯৭৫), ২) লাইবক (নোভেল, ১৯৭৮), ৩) নহাকপু ঐগী কনানো (ৱারীমচা, ১৯৮২), ৪) নুংগী চীনবান (ৱারীমচা, ১৯৮৭), ৫) পৃথিবী ফুঙ্গাৱারী খরা (লৌরেম্বম ইন্দিরাগা ইমিন্নবা, ১৯৯৪), ৬) পিগী ৱারী (শৈরেং, ১৯৯৫), ৭) য়েন্নিংথানা লাকপদা (ৱারীমচা, ২০০০), ৮) প্রজাতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমগী ৱারী (অঙাংগী খোরিরোল, ২০০১, দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসননা পীবা অঙাংগী লাইরিক্কী মনা ফংলবা লাইরিক), ৯) অৱাং নোংপোক্কী ফুঙ্গাৱারী খরা (ফুঙ্গাৱারী, ২০০২), ১০) ভারতকী ফুঙ্গাৱারী খরা (২০০৬), ১১) শক্লাইবা খরগী পুন্সি (পুন্সি ৱারী, ২০০৮), ১২) ইল্লস্ত্রেটেদ ফোক টেলস ওফ মণিপুর (কোমিক, ২০১০), ১৩) মৈশা অমসুং মৈচাক (ৱারীমচা,২০১২) অমসুং হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা ফোঙখিবা মহাক্কী লাইরিক্লা ১৪) অশেংবা ইরল (ৱারীমচা, ২০২২)নি। অঙাংগী লাইরিক ওইনা পুথোক্লিবা ইল্লস্ত্রেটেদ ফোকটেলস ওফ মণিপুর অসিমক ইংলিসতা হন্দোক্তুনা ‘ননাও ফুঙ্গাৱারী’ হায়না ফোঙখিবা লৈরে অমদি অতৈ অঙাংগী লাইরিকসু ইংলিসতা ত্রান্সলেসন তৌদুনা ফোঙখ্রে। মমল য়াম্লবা লাইরিক কয়া লেপ্তুনা ইরগা অসুম্না মণিপুরী খোরিরোলদা খুদোল লেপ্তুনা তম্লকপা অসিমক য়াম্না থাগৎনীংঙাইনি।

মণিপুরী খোরিরোলদা নুপীশিংতনা শেম্বা খোরিরোলগী লূপ অমা ওইরিবা লৈকোল (লৈমরোল খোর্জেকোল) গী হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরি। নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা শৈরেং শৈদিন্নবা, ৱারীমচা পাবা, অইবশিং উনবা, কনফরেন্স অসিনচিংবা কয়াদা মণিপুরী খোরিরোলবু মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াদুনা লাক্লি। অইবীসি সাহিত্য অমসুং অতোপ্পা হীরম কয়াদা মণিপুর মনুং অমসুং মপানগী মনা কয়াসু পীদুনা ইকায়খুম্নখিবা লৈরে।

মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংগীদমক কদায় ফাওবা কথোকপা ঙম্বগে হায়বগী নুংশিরবা ৱারী কয়া তানরি অমসুং লীনরি। পু-পাং শুদনা নাওকোল্লকপা মচাশিংনা অথোইবা মী ওইরকপা ঙকনীংঙাই ওইদে। মরমদি অৱা মচা লেম্না মাঙদে হায়বদু মায় পাক্লবা মীওই কয়াগী পুন্সিনা লেঙদ্রবা খুদম ওইরি। তৌইগুম্বসুং থাজদবা ৱারী কয়াদি তারক্লি হেক অপোকপা মমা মপাবু ওল্ড এজ হোমদা থম্বগী। লাইরিক লাইশু হৈরবা, লৈবাক মীরক তিল্লবা ইমুংগী মীওইশিংনা হেক পোকমিন্নবা মচিল মনাওশিংগী মরক্তা মহৌশাগা মান্নদবা মওং অমদা চেকপল মরোল মরোল খাজিন্নবা, কৌনদবা, চঙনদবা অসিগুম্বা পুকচেল মতা অসি হৌজিক হৌজিক কনটেম্পোরেরি মণিপুরী খুন্নাইদা থোক্লিবা ৱারী অমনি। অসিগুম্বা রিএলিটি অসি মণিপুরী খোরিরোলদা মমি তাদনা খক তোক্তে। মমিং লৈরবা সাহিত্যগী লাইরিক অয়াম্বা অশেংবা থৌদোক্লা ইথিল পীদুনা ইরকপনা মশীং য়াম্মী। অইবী সুবদনীগী ‘অশেংবা ইরল’ হায়না নিংথোনবা লাইরিক অসিদা পূন্না ৱারীমচা ২০ য়াওরি। ৱারীমচাশিং অসিদা মণিপুরী খুন্নাইগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা শক্তম অমদি নিংথিজনা য়েক্লি। চৎনবী থাজনবী, লাইনীং লাইশোন, কুম্মৈ হরাও, পুন্সি মহিং ফনা য়াম্না কোনশিন্দুনা ফজরবা প্লোট কয়াদা অপাবশিংগী থম্মোয়দা মতম কুইনা মমি তাদুনা লৈহৌরগদবা নুংশিরবা ৱারীশিং য়াওরি। মরু ওইবা প্রোটাগোনিষ্টশিংদি নুপীনা ওইহল্লি। লাইরিক্কী মীংথোল ওইরিবা ‘অশেংবা ইরল’ অসিমকসু তোম্বীনৌনা প্রোটাগোনিষ্ট ওইহল্লি। অখাং কনবী মৈতৈ নুপীনা মচাশিংবু কমদৌনা মী ওইনবা শেম্বগে হায়বদু মচং ওইবা ৱাহৈ খরদা ফোঙদোক্লবা হোৎনৈ। কৈথেল লুকমাই পান্দুনা ৱানা হোৎনদুনা শেমজরকপা মচানা মী ওইরবা মতমদা মপা মমাবু মীরাইবা, হন্না য়েংদবা মতৌ, মীনুংশি লৈতনা ইন্থোকপা, মসিনা মরম ওইদুনা অপোকপী মমানা ওল্ড এজ হোমদা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা। মতাং অসিদা তোম্বীনৌগী মচা অহল সনাজাওবনা নীংঙল্লক্তবগী ময়েক লারবা শক্তম অমা অপাবশিংদা শং শং উহল্লি ইরিবা দাইলোগশিংনা।

মমা মপা নীংজবা মচা মশুশিংনদি থাজবা ঙম্লোই সনাজাওবগুম্বা মচা কয়া লৈরক্লি হায়বসে ঙসিগী মণিপুরদসু। লৈখিদ্রবা তোম্বীনৌগী মপুরোইবগী চহীগী উৎসব কৎনীংলবসু মচা অহল সনাজাওবনা হোয় মায় হায়রদ্রবদা ৱারৌজবনা ইন্ত্রোদক্সন ওইদুনা ৱারীসি হৌহল্লি। মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু নুংশিবদি মপাল নাইদে। অদুনা হায়রক্লি অইবীনসু, “মচাগীদমক মমা মপানা ৱাবদি হৌনশানি। তুরেলগী ঈচেল হঙ্গৎনা চেনবরা?” (লা: ৪৫) সনাজাওবগা মপাল লমদা লৈবা মনাওনুপা থানিল অনীগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবা মতৌ, মমৌনা মনেম্বোকপু থৌওইবীদবা মওং, মশানা ৱানা হোৎনজদুনা শাবা য়ূমদা মীতোপ অমগুম্না অহল মতম ওইরক্লবী তোম্বীনৌনা লেল্লিবা পুন্সি, ইঙ্খোল মচেৎ খরগী মিকানবগী ইমুংদা শান্তি লৈতবা অমদি অপোকপী মমাবু ইন্থোকপা ৱারীশিং অসি ইবেমনুংশি লাকপদা ৱারী পূম্বা লীথোকহল্লি। তোম্বীনৌ মশুনুপা নিংথেম্না মবোক্লা লৈরিবা ওল্ড এজ হোমদা মবোক উনবা লাক্লম্মী। ৱারী পূম্বা অঙাংগী ইচম চমজবা মতৌদা মবোক্তা লীজৈ, মমা মপা অনী তোয়না খৎনবগী, মপানা য়ু ঙাওদুনা য়ূমদা নুংতিগী লাকপগী। অদুগা মমানা মনেম্বোক্লা লাৎলম্বা লাইদা ধুপ মৈরা ফাওবা কৎতবগী ৱারী তম্মী। মসিদা অনৌবা মতমদা য়ূম্বাল্লোন্দা লাক্লিবা অহোংবশিং ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লি। লাইরিক্তি হৈরগা লাইশুদি য়াওদ্রবা খুন্নাই অসিগী হৌজিক্কী অনৌবা মীরোলদা ৱাখল খন্থহল্লি। অমরোমদা অহল লমন পান্দ্রবা ইমুংশিংদা নহানা তৌনীং তৌনীংবা তৌদুনা পুন্সিবু লায়না লৌবা অদু ফত্তে হায়না ফোঙদোক্লি। মচানুপা অহল সনাজাওবনা মনাওনুপা থানিলগী ইঙ্খোল শরুকসু য়াওনা মঙোন্দা নামা পানগে হায়বদা মমানা য়াদবগী হেক অপোকপী মমাবু খৎনবা অমদি ইন্থোকপা থৌওংশিং মিৎমাংদা উহল্লি তেন্তক্লা হায়রিবা দাইলোগশিংদা অমদি খুফোঙদোকসিদা। ওফিস কাবা মমা মপাশিংনা মচাশিংবু বোর্দিং স্কুলদা থমজিনবা, মসিদা অঙাং অমনা মপু মবেন্দা নাউথি শাজবা ফংদবগী, নুংশিনা লোয়নজবা ফংদবগী নুংঙাইতবা, লাইফকী ভেল্যুশিং অহল লমনদগী তমজগদবদু ফংদবগী নুংঙাইতবা অদুসু মতাং চানা ফোঙদোক্লি। অমরোমদা মচানুপা পোক্তবা ইবেমনুংশিগী মতাং অমসু পুশিল্লক্তুনা খুন্নাই অসিদা মচা পীবা পোক্তবা নুপীশিংদা নুপা ওইবশিং অমসুং খুন্নাইনা য়েংলিবা মীৎয়েং অদুগা মচানুপা অনী পোক্লিবা তোম্বীনৌনা থেংনরিবা অৱাবা অনীসিদা করিবু খেন্নরিবগে হায়না ৱাহং হংলি।

চেন্নাইদা লৈবা তোম্বীনৌগী মচানুপা অতোম্বা থানিলনা ময়ূমদা লাকপদা মমানা ওল্ড এজ হোমদা লৈরম্বা থেংনবদা মথম্মোয় পুবা ঙমদবা, ময়ূমদা চঙদনা হোটেলদা লৈরগা মমাগী চান-থক্লবা, মফি মরোল থিল্লকপা, মমাবু য়ূমদা অমুক পুনবা হোৎনজবা মসিদা মমানা নুংশিনা হায়রকখিবা পূম্নমক তাইবঙদা থোকপা অশেংবা ৱারীগুম্না লীরি। মসিনি ৱারীসিনা ফজরিবা।

হেক অপোকপী মমাবু ওল্ড এজ হোমদা থম্বা ঙল্লিবা সনাজাওবা লাইরিক হৈরবসু লৈকায়না অমদি খুন্নাইনা মহাকপু পাড়া তম্বীখি। মহাক্না তৌরিবা থৌওংদো লাল্লে হায়না। মসিদা মণিপুরী খুন্নাইদা লৈরিবা ফজবা চৎন-কাঙলোনশিং কৈরোই লৈকায়, অহল লমন পানবগী মশক অমা উৎলি। লৈকায় ক্লবনা কৌরগা ৱাখল তামিন্নবা হায়বা ফজবা ৱায়েল অমগী সিষ্টম অদুসু মতাং চানা পুশিল্লকই অইবীনা। য়ু থকপা লেপ্তুনা মমানা লৈরিবা ওল্ড এজ হোমদা মমৈথংদা মমাবু ময়ূমদা পুরগে খল্লগা লৌবা লাকপদদি মমা তোম্বীনৌ অনা ফমশেন্নদুনা লৈরমখি। সনাজাওবা মাগী নুপী অমসুং মচানুপা নিংথেমগা পূন্না মমাগী নাক্তা চঙশিন্দুনা ঙাকপীনবা হায়, “ইমা ঐখোয়না লানবা ঙাক্তনি, নচাবু ঙাকপীয়ু’ য়ুমদা হল্লসি হায়বদা মমানা নুংশিনা হায়রকই, “সনাজাওবা, মীওইবগী নুংঙাইবদি লন-থুমদা নত্তে, অশেংবা নুংঙাইবদি তাইবঙ শেম্বা মপুদা মায় ওনশিল্লগতা ওইরম্লে। ইচাগী দোষ পাপ পূম্নমক ইমানা লোইনা কোকথোক্লবনি। নঙনা মী ওইনা অমুক্তং হিংহৌবদো অদুনি ইমানা পাল্লিবা। ঙসিদি নুংঙাইরে নঙনা ৱাখল তারকপসে। শিরবসু খুয়া তুশিংলে” (লা: ৫১) মমা অমগী থম্মোয়দা চেল্লিবা মচা নুংশিবগী ঈচেলদি অরোইবা মীকুপ অদু ফাওবা কংলমদ্রি তোম্বীনৌদা। ঙাকপীহৈবী থম্মোয়না লাল্লে খঙলবা মচাবু ঙাকপীরমখি। স্পিরিচ্যুএল ওইবা থাক অমদা পুখৎলকখি অইবীনা। অদুগা অরানবা তৌবশিংবু মীনুংশি অমসুং থৌজালগী ঈরিকনা শেংদোক চামথোকহল্লি। তোম্বীনৌ ওল্ড এজ হোম অদুদা অদুমক অরোইবা য়াহিপ তানখি। মচানুপা সনাজাওবনা ময়ূমদা পুবা ফাওবা ঙমখিদে। মমানা মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদুসু ডাক্টর তন্নিবা মহৈরোয়শিংনা শীজিন্নবা হোস্পিটালদা দান তৌরমখি। সনাজাওবা অমসুং মমৌ সনাহনবী য়াম্না নীংঙমখিদে। অৱা পোলোই ওইবা থৌদোক অসিনা মখোয় অনীদা চাওরবা পাড়া অমদি তম্লমখি। পুন্সি হায়বসি য়াম্না তেল্লি অদুনা অশেংবা ইরল করিনো হায়বদু খঙনবা হোৎনৌ হায়না অইবীনা অপাবশিংদা পাউমেল্লি। ৱারীমচাগী ফজবা হায়বদু মসিদা অদুমক থেংনবীগনি।

কোভিদ-১৯গী চৈথেং নংলুরবা মতুংদা পুথোক্লকপা ৱারীমচাগী লাইরিক ওইবনা লাইরিক অসিদা পেন্দমিক লিটরেচরগী মমিসু তাদনা তোক্তে। নুপানা খুল্লিংবা খুন্নাইদা নুপীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা পুন্সি মহিং অদুগী মমি তাবা ৱারীমচানি ‘লোকদাউন’ নুপীতনা শু নোমদুনা ইমুং পুবা য়ূম কয়া লৈরি অদুবু কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা কয়া য়াম্না চৈথেং পীখিবা হায়বদুদি পূম্নমক থেংনখিবা ঙাক্তনি। মেমথোইগী মপুরোইবা মুহোন য়ুদা এদিক্ট চুখি। থবক শুগনি চৎকনি খঙখিদে। মচানুপা থোইথোই লাইরিক ফবা অঙাং ওইরবসু মনীং থুংহনবা ঙমদে। লাইবক থীবদগী কোভিদনা মরম ওইদুনা মেমথোই নাদুনা লৈখিদে। মুহোন কোক্তা খূৎ হাপখি। চেঙ চানীংঙাই ফাও লৈখিদে। ৱাখল তারকখি মুহোন, মচা শেমদবা য়াদে খল্লকখি। ইংখোল শুদুনা মচাগী লাইরিক তমহন্নবা হোৎনখি। অদুবু মনা মশিং খরা য়োন্নবা হোৎনবদা লোকদাউনগী চৈথেং নংখি। পুলিস লাক্লগা লোকদাউন থুগায়বগী মুহোননা ফম্বা পোৎফম থিংজিনখি অদুগা পুলিসনা শেরফালা মুন্দুনা পুরগা চৎখি। শেরফালাদু মীঙোন্দগী ৱাইরকপনি হায়রফাওবা তাবীদনা পুখিবা মতাংসিদা ঙাঙনরিবা দাইলোগ অসিদা য়াম্না সিম্বোলিক ওইবা পাউজেল অমদি পীরি। চরা হেনবদগী শিবগা কোভিদনা নারগা শিবগা করম্বনা হেন্না ৱাবগে হায়না। শেরফালা পুলিসনা মুন্দুনা পুখিবদা অপাবশিংদা পাউখোং অমদি চল্লল্লি অইবীনা।


নুপী ওইবীশিংনা খুন্নাই অসিদা থেংনরিবা অৱা-অনা, খুদোংচাদবা কয়া, চৎনবী থাজনবী কয়ানা পীরিবা চৈথেং করাম চাওবা, মশাগীতা খনবা মীওইবগী লিচৎ, লৈত-লায়রবা হায়বসিনা পীরিবা চৈথেং, খুন্নাই অসিদা চেনশিল্লক্লিবা অমোৎপা ঈচেল, নাপল কাবা মীওইবগী মচৎ অসিগুম্বা কয়া অসি সবজেক্ট ওইনা পুথোক্তুনা ইরি। ফিদম্নিংঙাই ওইবা পুন্সিবু পামজবী অইবীনা খুন্নাই অসিবু য়াম্না কূপ্পা নৈনদুনা মহাক্কী ওইবা মীৎয়েংদা পুন্সি হায়বদু অসুম্না তৌরগদি হেন্না য়াইফগনি হায়বদু লাইরিক অসিদা য়াওরিবা নিংথিজরবা ৱারীমচা ২০সিদা ফোঙদোক্লবা হোৎনরিবা অসিমক মায় পাক্লে হায়বা য়াই। মণিপুরী খোরিরোলদা দিকেদ খরসিদা সুবদনীনা ৱারীমচাগী পুক্কেদা চাওরবা খুদোল তমদুনা লাক্লিবসি মমল য়ামই।

*—তোংব্রম অমরজিৎ*

# মমা লৈবাকপু থম্মোয় মক্তনা কৌজরিবা নিরঞ্জন - ১

*A man is a patriot if his heart beats true to his country.*

**- Charles E. Jefferson**





লৈবাক নীংবা হায়বসি কদায়বু কৌবগে? ৱাহং অসিগী পাউখুম পীবা অরায়বা নত্তে। হৌজিক্কী মতমসিদনা অমুক্তা হেন্না অরুবা অমা ওই। মশাগী ওইজবা থিবদা ঙাওনরবা মতমসিদা কদায়দগী অশেংবা লৈবাক নীংবনো? অসিগুম্বা খুন্নাই অসিগী মীওইবগী লীচৎনা লৈখা তারবা অশেংবা লৈবাক নীংবগী মমি শাম্লক্লবা তাংফম অসিদনি নিরঞ্জননা মাগী ঈশৈ ময়েকশিংদা লৈবাক নীংবগী তেলঙ্গানা লংলি অরোইবীদা থাদুনা পাইহন্নবা হোৎনদুনা ***মণিপুর কৌবী ইমা ও*** হায়বা ঈশৈ লাইরিক অমা ফোঙলক্লিবসি।

মরৈবাক্কীদমক থৱায় কথোকখ্রবা অথৌবশিং মখোয়দুতবু লৈবাক নীংবা কৌগদ্রা? লৈবাক ঙাক্লিবা অঙম্বশিংবু লৈবাক নীংবা কৌগদ্রা? লৈবাক পূম্বনা চান-থক্লবা চিঙ্গাক পুথোক্লিবা লৌমীশিংবু লৈবাক নীংবগী ফিদাদু পীসিরা? লৈবাক ঙাক্লিবা লান্মীশিংবুনি হায়সিরা? নৎত্রগা, মমা লৈবাক্কীনি হায়দুনা ময়ূম থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মখোয়শিংদুরা লৈবাক নীংবা কৌগদৌরিবসি? থিবগী খোঙচৎনি নিরঞ্জনগী খোঙচৎসি। তৌবদংদি মহাক্না মমা লৈবাক্কীদমক তেংথাজবসি ঈশৈগী তান্থা নাইবা ময়েকশিংগী খূৎথাংদা শৈথাজবনি।

নিরঞ্জনগী লাইরিক অসিগী ঈশৈশিং অসিনা পুরিবা ৱাপু অসি য়েংবা তারবদি মহাক্কী থম্মোয়দা লৈরিবা লৈবাক নীংবগী ঈচেলদু পাথোক্তুনা চেন্থরকপনি হায়বা য়াই। লৈবাক নীংবগী শৈরেং অমতং ইবদা কদায়নো হায়রবা মতমসিদা চপ মান্নবা থিম অসিদা ঈশৈ ১৩৩ (চামা কুন্থ্রাহুমদোই) ইবা হায়বসি অরায়বা থবক ওইফম থোক্তে। মহাক্কী ঈশৈ শৈরোলশিং অসিদা করি করি য়াওরিবা ঈশৈ শৈরেংশিং অসিগী লৈকাশিং ফাক্তুনা য়েংবা য়াই।

মহাক্কী লাইরিক অসিগী অহানবা শৈরেং অসি পূন্না হিংমিন্নবা পাম্বা ইন্টিগ্রিটিগী শৈরেং অমনা হৌদোক্লি। অসুম্না ইরি -

*ঐখোয় পূম্নমক অমতনি। ইমা অমতগী মচানি*
*নুংশি চান্নরা লৈমিন্নসি। হাৎন-শুনবা থাদোকসি।*
*লাইনীং-লাইশোন মান্নদ্রসু। ইরোল ইয়েক খেন্নরসু*
*ঐখোয় মীওইবা কাঙলূপনি। ঈগী মুচ অমতনি। (লা: ১)*

মহাক্কী ঈশৈ ময়েক অসিদা অশৈবনা শৈরেংশিং অসিগী পরেংগী অরোইবশিংবু তোন্দা মান্নবা হোৎনরি। মহাক্কী অতোপ্পা শৈরেংশিংদা অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা য়ূম্ফম ওইবা কয়াসু য়াওরি। ‘মীনা ইনশিনবা য়ারুনু’ হায়বা ঈশৈসিদা চীং-তমগী অপূনবা শক্তম শাগৎনীংবগী ৱাখলদা অসুম্না ইরি -

*মীনা ইনশিনবা য়ারুনু। শরৌ লাংদা থুরুনু*
*চীং-তমগী ফজবসে। লাইনা থাবা লমদমনি।* (লা: ৭)

অসিগুম্বা ‘করিনো ইতাও খুল্লাকপা’ (লা: ৬৩), ‘অপূনবৈ খোল্লাউ লাউরসি’ (লা: ৯১) শিং অসি অপূনবা শাগৎপদা য়ূম্ফম ওইবা ঈশৈশিংনি। অসিগুম্বা ঈশৈ ১০গী মথক্তা অইবনা শৈরেংলি।

অনীশুবদা অশৈবনা লৌখৎলিবা অমনা মণিপুর ইমা অমদি ভারত ইমাগী- মহৌশাগী ফজবা মতৌ, নীংথিরবা চীংশাং পরেং, অশংবা লৌবুক-লম্মাং, তাংথক নাইনা ফজরবা পাৎ, তুরেল, উপাল-ৱাপাল অমসুং মখল মখাগী খুন্দারিবা মীওইশিংবু শৈথাবনি। ‘ফজবী ইমানি’ হায়বা অসিদা করম তৌনা মণিপুর ইমাগী ফজববু শৈথাজবা য়েংবা য়াই।

*ফজবী ইমানি। নীংথিবী পলেমনি। ৱাত্ত-পাদবী মহাক্নি।*
*তুরেলনা লীকফাং ওইরিবী। শংবান্নরা লৌবুকনি।*
*শিরুই লিলী শাৎপীনি। লোক্তাক্না মিংশেল ওইবীনি।* (লা: ৮৬)

**-ডা. সনসম নবদ্বিপ**